# ‘গভর্ণরনা লাল্লে হায়জগদবনি’ হায়দুনা মীয়াম্না রাজ ভবনদা থোমজিল্লকপদা সিক্যুরিটিগা...

*লমায় ১গী মখা...* শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে। শোক্ল বশিংদি খোংমন মংজিলদগী তখেলচংবম জ্ঞানেশ্বরি (৫৮), ৱাঙ্খেই অঙোম লৈকায়দগী নোংথোম্বম প্রিয়া, শীংজমৈ থোকচোম লৈকায়দগী থোকচোম গিতা (৪৪), খুরাইদগী শান্তি (৭২), পাৎশোইদগী অবে (৫২), ললাম্বুং মখোঙদগী কে ঐচ রাজেশ্বরি (৬৬), তাওবুংখোকতগী কে সাবিত্রি (৬০) অমসুং পিশুম ওইনাম লৈকায়দগী সনসম মালেমঙানবী (২২) নি হায়রি।

কোকোমিনা ঙরাং পাউমীশিংগী খূত্থাংদা ঙসিদগী হৌরদুনা গভর্ণর এ কে ভল্লানা গ্বালতাবী থৌদোক্কী মতাংদা লাল্লে হায়দুনা মীয়ামদা শেংদোক্ত্রিবা ফাওবা মহাকপু বোইকোট তৌগনি অমসুং শোয়খ্রে-লানখ্রে হায়রক্ত্রিবা ফাওবা রাজ ভবনদা থোমজিন্দুনা দিমান্দ অসি তৌগনি হায়খিবগী মতুংইন্না ইম্ফাল মনুংগী রাজ ভবন তাবা লম্বীশিংদা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা শৌগ্রি য়ুংবদৌনা য়ুংদুনা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎখি। এন ঐচ-২গী মনুং চল্লিবা কংলা পার্ক মনীংগী লম্বী পরিং, মোইরাংখোম, কৈশাম্পাৎ অমদি কোনুং মমাঙনচিংবা মফমশিংদা পুলিসনা তিঙ্খং তারা য়েৎলবা বেরিকেদশিংনা লম্বী থিংজিন্দুনা থমখি।

অদুম ওইনমক মায়কৈ কয়াদগী খোঙজং অসিগীদমক লাকখিবা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পুল্লবা মতুং ঙসি নুংথিল পুং ১ খরা হেল্লকপদা রাজ ভবন তম্না থোমজিল্লকখিবনি।

মীয়াম্না রাজ ভবন তম্না থোমজিল্লকপদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক মাঙজৌনননা দিপ্লোই তৌদুনা লৈরবা পুলিস অমদি রেপিদ এক্সন ফোর্সকী য়াম্লবা পর্সনেলশিংনা বি টি রোদকী কোংগ্রেস ভবন মমাঙদা মীয়াম অদুবু থৎখি।

থৌদোক অসিদগী সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগা মীয়ামগগী মরক্তা মুক্করক্তুনা ইন্থোক-ইনশিন তৌবা হৌরকখি। অদুবু খোইশাওনরবা মীয়াম্না ঙমদুনা মখোয়গী খোঙজং অদু মখা তানা রাজ ভবন তম্না লাকখি।

চৈরক্তুদা মীয়াম্না কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোঙদগী রাজ ভবনলোমদা চৎখিবা কংলা পার্ক মনীংগী লম্বী পরিংদা লৈবা ফুট ব্রিদজ মপা য়ৌরকপদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অমুক্কসু থৎতুনা চৎহন্দনবা হোৎনরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা চাউনা মূক্করকখি।

মফম অদুদা য়াম্লবা মীয়াম অদু লাকশিনবা ঙম্লরোই খনবদগী পুলিস য়াওনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খোঙজংলোইশিং তানখায়নবা টিয়র গ্যাস অমসুং মোক বোমশিং মশীং খঙদনা কাপখি অমসুং শীজিন্নখি। পুলিসকী মায়কৈদগী অকনবা থবক লৌখৎলক্লবা ফাওবদা পেন্দ্রবা মীয়াম্না মখোয়গী খোঙফম হন্দাক্লোই হায়দুনা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোঙগী মনীংদা লৈবা ত্রাফিক আইলেন্দ মনাক্তা পুল্লপ ফমজিন্দুনা লৈখি। লোয়ননা বি টি পার্ক ময়াদা লৈখিবা খোঙজংলোইশিংনসু পেন্দবা খোল্লাওশিং লাউখি।

ঙসিগী খোঙজং অমসুং মসিবু লাকশিন্নবা সিক্যুরিটি ফোর্সনা টিয়র গ্যাস অমসুং মোক বোমশিং মশীং খঙদনা পোকখায়হনবগী মখোল মরক্তা য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিশন (য়ু পি এস সী) না লৌদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা প্রিলিমস এগজামদা শরুক য়াগদবা কেন্দিদেটশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা খম থেংনা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি। মসিগী মথক্তা এগজামিনেশন অসিগী সেন্টর অমা ওইখিবা জে নস্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অকোয়বদসু এগজাম হৌগদবা পুঙ্খায়মুক ৱাংলিঙৈদগী হৌদুনা এগজামিনেশন অৱর লোইরমদাই ফাওবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খোঙজং চঙশিল্লিবশিংগা মূক্ক রকপদগী টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপ্লকপদা কেন্দিদেটশিং মমিৎ থুপ্পা য়াওনা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপ্পা অমসুং মোক বোমশিং পোকখায়হনবগী মখোল মরক্তা এগজামিনেশনদা শরুক য়াখি।

সেন্টর অসিদা পাঙথোকপা এগজামিনেশনদা শরুক য়াখিবা কেন্দিদেটশিংনা এগজামিনেশন হৌগদবা পুঙ্খায় অমরোম ৱাংলিঙৈদগী হৌনা মীয়ামগী ঈহৌ কনশিল্লকপদগী টিয়র গ্যাস কাপ্পগী মখোল তাবদা ৱাখলদা চরাংনবা অমদি মীপাইবা পোকখি। অদুবু লৈবাক্কী ঈরাংনি খন্দুনা ৱাখল ফাথদুনা এগজামিনেশন অসিদা শরুক য়াখিবনি।

ঙসি চত্থখিবা কোকোমি অমসুং মীয়ামগী খোঙজং অসি গভর্ণরনা গ্বালতাবী থৌদোক অদুগী মতাংদা মীয়ামদা শোয়খ্রে-লানখ্রে হায়দ্রিবা ফাওবা হয়েংদগী মখা চত্থদুনা অয়ুক নুংথিল অমসুং নুমিদাং খায়দনা চঙশিন্নবা শেম শারে হায়নসু খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা কোকোমিগী কনভিনর খুরাইজম অথৌবনা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী খোঙজং অসিদা সঞ্জেনথোং লান্দুনা রাজ ভবন তম্না মায়কৈ কয়াদগী লাক্লুবা হোৎনখিবা খোঙজংলোইশিংবু কোনুং মমাঙগী ত্রাফিক আইলেন্দ ময়াদা পুলিস অমসুং আর এ এফ পর্সনেলশিংনা থৎতুনা থমখি। ৱাঙ্খেরোমদগী লাকপা য়াম্লবা মীয়াম্না ইন্দিয়ানা মণিপুর মূত্থৎনবা হোৎনবা লেপ্পু, মণিপুরবু শীংনরোইদবনি হায়দুনা থাবা প্লেকার্দশিং পায়খি। মখোয়বু অন্দ্রো পার্কিংদা পুলিস অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সনা থিংখি অদুবু খোইশাওনরবা মীয়াম্না অথিংবা অদুবু নমখায়দুনা রাজ ভবন তম্না চঙশিল্লকপদা কোনুং মমাঙদা অমুক্কা হন্না সিক্যুরিটি ফোর্সকা য়াম্না চাউনা মূক্কখি। খোঙজংলোইশিংগী মরক্তা লাউদ স্পিকর ফাওবা পায়দুনা পেন্দবা খোল্লাওশিং হঞ্জিন হঞ্জিন লাউখি।

পনবা য়াবদি, কোকোমিগী কনভিনর খুরাইজম অথৌবনা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক য়াওনা কোকোমিগী মীহুৎ তরেৎ হোম মিনিষ্ট্রিগা ৱারী শাননবা হয়েং ইম্ফাল থাদোক্লবসু মখা তাবা খোঙজং লেপ্তুনা চঙশিনখিগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

## এম ঐচ এনা মে ২৭তা পাঙথোক্কদবা ...

*লমায় ১গী মখা...* মণিপুরদা থোরক্লিবা ঈরাং অসি চহী অনী হেল্লকপগা লোয়ননা হন্দক খুমন লম্পাক্তা কোকোমিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মণিপুর পিপল কনভেন্সনদা লৌখিবা ৱারেপশিং খন্ন-নৈননবা এম ঐচ এনা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না হয়েং ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

ৱারী শানবগী এজেন্দাশিংগী মনুংদা হন্দক গ্বালতাবীদা থোকখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদসু খন্নগনি অদুগা খুমন লম্পাক্কী কনভেন্সনদা লৌখিবা ৱারেপশিং অদু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌদাং লৈবা মীশক্তা শিন্নদুনা খঙহনবা হায়বসি কোকোমিগী অরেপ্পনি হায়খি।

মীফম অসিগীদমক কোকোমিগী মীহুৎশিং দেল্লীদা চৎখ্রবসু হৌজিক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মখা তানা চঙশিন্নবা কোকোমিগী লৈহৌরিবা সব কম্মিটিশিংনা শেম শারে। ঙসিগী খোঙজংদা শোক্লবা ইমাশিংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি অমসুং হোস্পিটালগী ওথোরিটিশিংনসু অঙন্বা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

গ্বালতাবীগী থৌদোক অসি য়াশিন্নবা য়াবা থৌদোক অমা নত্তে হায়রদুনা মীয়ামগা লোয়ননা হনবা লৈতনা খোঙজং কয়া চঙশিনখিগনি অদুবু মীয়াম্না নন ভাইওলেন্সকী খোঙজং ওইনা চঙশিনবীয়ু হায়নসু মহাক্না আপীল তৌখি।

অদুগা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনসু কা হেনবা থৌওং তৌবীগনু হায়রদুনা ভাইওলেন্সকী খোঙজং চঙশিনবগী মহুত্তা খোঙজং অসি মায় পাক্লবা মীয়াম পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়খি।

এম ঐচ এগী মীফমদা শরুক য়ারুনবগীদমক হয়েং ইম্ফাল থাদোক্কদবশিংনা কনভিনর মশামক য়াওনা ৱাই কে ধিরেন মীতৈ, কন্সলটেটিভ মেম্বর এল জ াদুমনি অমসুং থিয়াম ভারত, লাইখুরাম জয়েন্ত, সী সী মেম্বর ফিজম শ্যামচান্দ অমসুং য়ূমখাইবম সুরজিৎকুমার (ফাইনান্স) নি হায়রি।

## মহারাষ্ট্রগী থানেদা চহী ২১ শুরবা নহা ১ ...

*লমায় ১গী মখা...* অমসুং থানে ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা চলাইবা ছত্রপতি সিবাজি মহারাজ হোস্পিটালদা লায়েংলগা অতে পেসেন্টশিংনা হোম আইসোলেশন তৌদুনা লৈরকখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক হোস্পিটাল অসিদা কোভিদ-১৯গী তোঙানবা ফমুং ১৯ থারিবা ৱার্দতা থমদুনা লায়েংলকখিবা নহা অদু মশাদা হান্না দাইএবেটিসকী খুদোংচাদবা মায়োক্লরক্লিঙৈদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী কো-মোর্বিদিটিজ থোকহল্লক্তুনা কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতুংদা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা থানে ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শিন্দুনা অৱাংবা থাক্কী রিভিয়ু মীটিং পাঙথোক্তুনা মফম অদুদা ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম কূপ্না য়েংশিনখ্রে। অদুগা হোস্পিটাল অদুগী চীফ মেদিকেল ওফিসর ডা. চেটনা নিটিলগী মায়কৈদগীসু হেল্থ সেন্টর পূন্নমক্তা হীদাক লাংথকশিং মরাং কায়না থল্লে অমসুং কোভিদ-১৯গী টেষ্টিং কিটশিংসু মথৌ তারকপা মতমদা শীজিন্ননবা শেম শাদুনা লৈরে হায়খি।

চৈরকসিদা, ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেশননা হন্দক নৌহৌননা লৈবাক অসিদা এন বি .১.৮.১ অমসুং এল এফ .৭ হায়না খঙনবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্টশিংনা পোজিটিভ ওইহল্লবা মীওইশিং থেংনবদগী মোনিটর তৌদুনা লাক্লিঙৈগী মনুংদা অনৌবা ভেরিএন্ট অনী অসি লৈবাক অসিদা চপ চানা লৈরে হায়বগী ৱাফম কনফার্ম তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, মমাঙ থাদা টামিল নাদুদা অনৌবা ভেরিএন্ট এন বি .১.৮.১ লৈরে হায়না খঙবা ঙমখিবনি। অদুগা চৎলিবা থা সিদনা গুজরাটতা এল এফ .৭ হায়না খঙনবা ভেরিএন্ট অসিনা নাহল্লবা মীওই ৪ থেংনখিবনি।

মহারাষ্ট্রগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯গী কেস মুম্বাইদা ৪৭, পুনে ৩০, নবি মুম্বাই ৭ অমসুং নাগপুরদা ৬ থেংনবগা লোয়ননা ষ্টেট অদুগী ওইনা অপূনবা এক্টিভ কেস ১৬৬ মায়োক্লরিবনি। অদুগা চহীসিগী জন্যুৱারী থাদগী হকথেংনরকপশিং থারগদি হৌজিক ফাওবদা মহারাষ্ট্রদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ২১৩ শুরবনি।

## হোম গার্দশিংনা ফন্দামেন্টেল ১সুং লিগেল ...

*লমায় ১গী মখা...* হোম গার্দ পর্সনেলশিংনা মখোয়গী ফন্দামেন্টেল অমসুং লিগেল রাইটশিং খঙজনবগী বট্টালিয়নশিংগী ওইনা মথং-মথং পাঙথোরক্লিবা মীফমশিং অসি মণিপুর হোম গার্দস এমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের এসোসিএশননা শীনবনি। অদুগা ঙসিগী মীফম অসিনা এসোসিএশন অসিগা হোম গার্দকী বট্টালিয়ন নম্বর ১গী বট্টালিয়ন ইন-চার্জ (ইম্ফাল ৱেষ্ট) কা খূৎশম্নদুনা শিনবনি।

এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট য়াংলেম মঙ্গিনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা ঙসি নুংথিল পুং ২দগী হৌরদুনা বট্টালিয়ন-ৱান (ঐচ ক্যু) গী ওইনা পাঙথোকখিবা মীফম্না লৌখিবা ৱারেপ অহুমগী মনুংদা অহানবদা হোম গার্দ মেম্বরশিংগীদমক মথৌ তাবা, মরু ওইবা অমসুং কান্নবা ফংগদবা থবক থৌরমশিং লেপ্তুনা পায়খৎলক্লিবা এসোসিএশন অসিগী মেম্বরশিপ রিন্যু তৌনবগী লুপা ৫০০গী শেনফম জুলাই ২৫ ফাওবগী মনুংদা পীশিন্দুনা মেম্বরশিপ রিন্যু তৌগদবনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মেম্বরশিপ রিন্যু তৌদবা পর্সনেলশিংবু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মেম্বরশিংগী য়াইফ থৌরাংগী স্কিমশিং পীখৎপদা রিন্যু তৌদবা মেম্বরশিংগী য়াওহন্দবা হায়নসু লেপ্পখি।

অমরোমদা, হোম গার্দ পর্সনেলশিংনা হৌজিক ফাওবদা সিনিয়রিটি লিষ্ট শেম্বা লোইশিন্দবদগী থংনবা রেঙ্কতা প্রমোশন ফংদবা, পুলিস কন্সটেবল অমগা মান্ননা দ্যুটি এলারেন্স ফংফম থোক্লবসু ফংদবা, রশন মনি ফংদবা, দ্যুটি এলারেন্সশিং মতম চানা ফংদবা, হোম গার্দশিংগী ওইবা তোঙানবা ফুল টাইম কম্মান্দেন্ট জেনরেল হাপ্পা য়াওনা অন পেদ রেঙ্ক ষ্ট্রকচর মূত্থৎপা, থবক্তগী পোত্থাবগী চহী ৬০দগী ৬২ নৎত্রগা ৬৫দা ওইহনবা অমসুং হোম গার্দ মেম্বরশিংগী লৈহনফম থোকপা অপূনবা মেম্বর মশীং ৩,৩৯৪ লৈহন্নবগীদমক এসোসিএশনগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবগীদমক এসোসিএশনগী সেক্রেটরিগা খূৎশন্নবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা তকশিনবা হায়নসু ৱারেপ্পখি হায়রি।

## নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা বি এস এফকী ...

*লমায় ১গী মখা...* মহেশ কুমার অগরৱাল, বি এস এফকী আই জি (এন এন্দ সী) ফ্রন্টিয়র সঞ্জয় কুমার মিশ্রা, এস টি সী বি এস এফ চুড়াচান্দপুরগী আই জি ইন্দ্রদিও সিংহ অমসুং ফোর্স অসিগী সিনিয়র ওফিসরশিংনা তরাম্না ওকখি।

এয়রপোর্টতা থুংলবগা পন্থদনা মহাক্না কোইরেঙ্গৈদা লৈবা বি এস এফকী সী আই-ওপসকী সেক্টোরেল হেদ ক্বর্টর তম্না চৎখি। মফম অদুদা বি এস এফকী সেক্টর ওফিসরশিংগা লোয়ননা মণিপুরগী সিক্যুরিটিগী ফীভমগী মতাংদা ৱারী শানদুনা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম য়েংশিনখি। নুংথিলদা বি এস এফকী ১০শুবা বট্টালিয়নগী কেপিটোল কমপ্লেক্সতা লৈবা সী আই পোষ্টতা চৎতুনা পোষ্ট অদুগী পর্সনেলশিংগা উনখি। পোষ্ট অদুগী মায়কৈদগী মঙোন্দা বি এস এফকী পর্সনেলশিংনা কত্থোকপগা লোয়ননা মণিপুরগী সিক্যুরিটিগীদমক লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং উৎপগা লোয়ননা মরীক চুম্বা রিপোর্ট থমখি। মসিগী মতুংদা মহাক্না সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ অমসুং দি জি পি রজিব সিংহগসু উনদুনা ৱারী শানখি।

ঙসি মহাক্কী খোঙচৎকী নুমিৎ নীনি চনবা নুমিৎতা কোইরেঙ্গৈদা লৈবা বি এস এফকী সেক্টোরেল হেদ ক্বার্টর (সী আই-ওপস) গী খূত্থাংদা সৈনিক সম্মেলন অমা পাঙথোক্তুনা ৱা ঙাঙখি। লোয়ননা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা দিপ্লোই তৌরিবা বি এস এফকী ক্রুপশিংগা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা ৱারী শানখি। মণিপুরদা দিপ্লোই তৌবা বি এস এফ পর্সনেলশিংনা মথৌ মশক খঙনা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপগী থবক তৌরম্বা উবদা মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখা তানা চোকথবা নাইদনা মীয়ামগী থবক তৌনবা পাউতাক পীরমখি।

ঙসি মহাক্না ন্যু দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লমদাইদা বিষ্ণুপুর অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ঈরাং থোক্কনবা মফমশিংদা দিপ্লোই তৌবা বি এস এফকী কম্পনি পোষ্টশিংদসু চৎতুনা পর্সনেলশিংগা হকথেংননা উনরমখি। লোক্তাকতা লৈবা ১০-বি এস এফকী টেক্টিকেল হেদ ক্বার্টরদসু চঙদুনা মফম অসিদা লৈবা পর্সনেলশিংনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা অমসুং মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিলহক্লবগীদমক মথৌ পাঙথোক্কদবনি হায়না পূক্নিং থৌগৎলমখি হায়রি।

## ‘মণিপুর’ মূত্থৎলকপগী ...




*লমায় ১গী মখা...* য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লিবা অমুকো অমসুং অতোপ্পা লূপশিং ওইরিবা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর, অমোভা, কোহর অমদি এম এস এফকা খূৎশম্নদুনা ঙসি ওল য়াইরিপোক য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেশন (অয়ুকো) না মহার রেজিমেন্টকী থৌওং অদুগী মায়োক্তা য়াইরিপোক কৈথেলদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম থোরক্তুনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

ঙসিগী খোঙজংদা শরুক য়াখিবশিংনা ইশাগী লাইবক ইশানা লেপচবা হায়বসি পোকপদগী লোয়নরক্লবা ঐখোয়গী হকনি। অফস্পা হায়বসি কোলোনিএল লোনি, লো অসি মূত্থৎলু, মণিপুর মূত্থৎপা য়ারোই, মণিপুরদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না চত্থরকপা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি লেপকদবনি হায়না ইংলিস লোলদা ইবা প্লেকার্দশিং পায়খি।

অমরোমদা, গ্বালতাবীগী থৌদোক অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাইথৌদগী হাওখ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা মৈতৈ কম্যুনিটি জোইন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটিনা ইমা-ইবেলশিংগা খূৎশম্নদুনা থৌবাল কিয়াম বাবু কৈথেলদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবী কম্মিটিগী ৱিমেন ৱিংগী জেনরেল সেক্রেটরি পাঙনবম ইন্দ্রানিনা হায়, গ্বালতাবীগী থৌদোক অদু কম্মিটি অসিনা অকনবা মওংদা য়ানীংদে। থৌদোক অদুগী তেকচাক গভর্ণর, চীফ সেক্রেটরি, সিক্যুরিটি এদভাইজর অমসুং দি জি পিনা পুগদবনি। মণিপুরগী মনুংদা ‘মণিপুর’ হায়বা ষ্টেট অসিগী মমিং থাবা য়ারোই হায়বসি কনাগী থৌইনশিননো হংখি। সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীতৈ ফূরুপ্পু করিসু লৈতনা খনবা য়ানীংদে। সিক্যুরিটিগী অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা থৌওং অসিগী মথক্তা লৈঙাক্না চপ চাবা এক্সন লৌগদবনি হায়খি।

ৱাকৎ খোঙজংদা শরুক য়াখিবীশিংনা মণিপুর মূত্থৎপা য়ারোই, মরাল লৈবা সিক্যুরিটিগী মথক্তা এক্সন লৌগদবনি, এক্সন লৌবা ঙমদ্রবদি গভর্ণর ফম থাদোক্কদবনি হায়বা খোল্লাওশিং লাউখি।

# প্রগজোটিসপুর য়ুনিভর্সিটিনা বিষ্ণুপুরগী মহৈরোয়শিং ওকখ্রে




**ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস) :** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা চৎলিবা চহী অসিদা কোসেম অমসুং সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস ত্বেলভকী এগজামিনেশনদা অপূনবা মার্ককী চাদা ৬০ অমসুং মসিগী মথক্তা ফংলকখ্রবা মহৈরোয়শিংবু গুৱাহাটিগী প্রগজোটিসপুর য়ুনিভর্সিটিনা নিংথৌখোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী হোলদা তরাম্না ওকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অসিদা নিংথৌখোং হায় স্কুলগী রিটাইয়র্দ হেদ মাষ্টর অমসুং নেশনল এৱার্দি অসেম ইবোবী, নিংথৌখোং গর্লস হায় স্কুলগী রিটাইয়র্দ টিচর এল য়াইমা, মাঙ্গোলঙানবী কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর অসেম চনু ভেলোরপতি অমসুং নিংথৌখোং হায় স্কুলগী লেকচরর কোন্থৌজম সুরেসকুমারনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মহৈরোয় ২০০ হেনবদা শকখঙচে অমসুং মেমেন্তো পীদুনা ইকায়খুম্নখি। থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা এদভান্স ইন্টরমেদিএট কোলেজ (মোইরাং) গী লেকচরর কে কৃষ্ণচন্দ্রনা পূন্সিদা পম্মুং অমা ফংগে হায়না খনবা লেপকনু, ৱাখল অসি লেপ্তুবদি শোয়দনা ফংগনি। মরম অসিনা মহৈরোয়শিংনা মতম মাঙহন্দনা হোৎনবা লেপ্লোইদবনি হায়খি।

## এম এল এ গোবিন্দাসনা হায়...

*লমায় ১গী মখা...* থৌরম অসিদা ওর্গনাইজেশন অসিগী প্রসিদেন্ট নাওরেম ইঙোচা অমসুং বিষ্ণুপুর পুলিসকী এস পি, কে এস ঐচ রবিকুমারসু শরুক য়াখি। অদুগা এম য়ুগী স্কুল ওফ হ্যুমেন এন্দ এনভাইরনমেন্টেল সাইন্সনা কোনশিনবা অর্থ সাইন্স দিপার্টমেন্টকী হেদ অমসুং হান্না দিন ওইরম্বা প্রোফেসর সোইবম ইবোতোম্বী, বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর ৫গী কাউন্সিল্লর থোকচোম ইন্দ্রমনি, ৱার্দ নম্বর সিক্সকী কাউন্সিল্লরনচিংবনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

এম এল এনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঙসি শঙ্গারিবা ওর্গনাইজেশন অসিগী বিল্ডিং অসি লৈকায় অনীসিগী ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংগী মোরেল ফগৎহনবদা নত্তনা শান্নরোয় কয়া পুথোক্লবগী পান্দমদনি হায়রদুনা ক্লব অমদি ওর্গনাইজেশন্নচিংবশিং লৈরগা থবক তৌদ্রবদি কান্নরোই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

ꯁ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯔꯤ/শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নম :



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয়গী ইরক্তা তিল্লম্বা **শ্রী অরাম্বমঁ মোতিলাল সিংহনা** মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূন্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ২২/০৫/২০২৫ ইং, কালেনগী ২৫নি পানবা শগোলশেন নুমিৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা **শ্রী কৃষ্ণ চৈতৈন্য মদানা মোহন দাস** হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ২৭/০৫/২০২৫ ইং, কালেনগী ৩০নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অষ্টি মার্জ্জন লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ৪/০৬/২০২৫ ইং, ইঙাগী ৯নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা চিরা উসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবা বৈষ্ণবগী অত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি। উপলক্ষ অসিদা ব্রহ্মণ বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরি নাম শ্রবন তৌবীরনবা পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চগদৌরি। পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

ভেৎ কৎপা : অয়ুক পুং ৮:৩০
সঙ্কীর্ত্তন হৌবা : নুংথিল পুং ১২:১০

বিনিতগণ :-অরাম্বম শ্রীমতি ইবেয়াইমা দেবী (মবোক)
অরাম্বম শোভাচন্দ্রা সিংহ (মপা)
অরাম্বম ওংবী শান্তিবালা দেবী (মমা)
অরাম্বম ওংবী মোধুবালা (অনা) দেবী (সহধর্ম্মিনী)
শিংজমৈ মখা নাওরেম লৈকায়, লাইরেম্বী মনীং।

HL-P/2199/26,27

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 96.711960 |
| US Dollar | 85.076966 |
| British Pound | 114.709983 |
| Australian Dollar | 55.232586 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.849487 |
| Japanese Yen | 0.596810 |
| Malaysian Ringgit | 20.110328 |
| Singapore Dollar | 66.239295 |
| South Korean Won | 0.062295 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.687191 |
| Thai Baht | 2.596431 |

### ‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পুন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পুন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

### GAS NEWS

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO- 16-05-25,**
VALID FROM 10-05-2025,
**STOCK: 324,**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk upto date**
Timing 7am to 10am
**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
TIME: 09 AM TO 12 PM
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883

### HL Poll

Q : Khoisaonaraba meeyam themjinnaba Governer AK Bhallana panthadana thabak paikhatpana Presidents Rule leingakki achumba oiroidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Gwaltabida thokhiba thoudokki matangda Governerna Manipurgi meeyamda soikhre-lankhre haiduna sengdorakkani thajabra?

Yes 0% No 100%


### অস! লোইরেহে!

- লাই ইবুংঙো ঐবু লায়রবা কোকহনবীয়ু।



- মদুগুম্বদি ঐগী দাই লৈজদে।

CONCEPT TUTORIAL
THANGMEIBAND MEISNAM LEIKAI OPP THAU GROUND
1 YEAR ACHIEVER NEET COURSE (12 PASS OUT)
CLASS STARTING FROM 2ND JUNE 2025
PROVIDING THE BEST NOTES IN IMPHAL CITY
FREE 30 BOOKLETS + 27 TEST SERIES FROM KOTA



6 MONTHS FOUNDATION COURSE
CLASS XI SCIENCE (CBSE & MANIPUR BOARD)
STARTING FROM 2ND JUNE 2025
SEPARATE HOSTEL AVAILABLE FOR BOTH BOYS & GIRLS
# 8794303740 / 8794728538
HL-B/9528/13 may to 1june

SPECTRUM PHYSICS
WHERE DREAM OF MBBS COMES TRUE
NEET SPECIAL PHYSICS COACHING CENTRE
25% DISCOUNT FOR DIRECT ADMISSION TILL 20TH MAY, 2026
MBBS SELECTED STUDENTS:-



ADMISSION OPEN!
LAST DATE OF ADMISSION 31ST MAY, 2025
CLASSES BEGIN FROM JUNE 2, 2025
REWARD FOR NEET 2026 :
1 L for State Topper
75 K for 2nd State Tpper
50 K for 3rd State Topper
Facilities to be provided :
SMART BOARD CLASSROOM
EXPRIMENTAL CLASS
RECORDED VEDIO CLASSES
ONE AND HALF MONTH FREE REVISION
SEPARATE FRESHER & REPEATER BATCHES
SHORT-CUT FORMULA BOOK
ALLEN FULL MOCK TEST
CHATPER-WISE TEST
ONLY BEST SOLUTION FOR NEET PHYSICS
Address : Keishampat Hodam Leirak, Opposite Oil Pump, Near Ipak Offset Press, Imphal West
Contact:- 7005676341
Limited Seats of 25 Students per Batch
HL-B/9553/17 to 16 June